জিরিবামদা মীতোপ ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা অসামদগী চঙলকপা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং চেক তৌবদা তোঙান তোঙানবা আধার কার্দ অনী পায়রম্বী নুপীমচা অমা ফারে। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নুপীমচা অদু ইন্দিয়াগী লোল অমত্তা খঙদবা মরম্না মখা তানা থিজিল্লুবদা বাংলাদেশতগী চঙলকপনি হায়বা খঙলে। মহাক্না লোয়নরকখিবা মীওই অমদি পুলিস উবদগী অসামলোমদা অমুক হন্না চেনশিনখ্রে। চহী নৌরিবী নুপীমচা ওইবনা ফারবা মীওই অদুগী মশক মমিং ফোঙদোরকখিদে।

এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): বেচলর ওফ ভেটিরিনরি সাইন্স এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী দিগ্রি কোর্স একাদেমিক সেসন ২০১৮-১৯ গী তম্নিংবা মহৈরোয়শিংনা নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ত্রাস টেষ্ট (যু জি)-২০১৮/এন ঈ ঈ টি (যু জি)-২০১৮ তা য়াওনিংবশিংনা সঞ্জেনথোংদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেসতগী থা অসিগী ১১ দগী ২২ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১০০ পীরগা মরি লৈনবা এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবা য়াগনি। হিরম অসিগী মতাংদা দিরেক্তোরেট অসিগী নোটিস বোর্দতগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়না দিরেক্তর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ডা. টি (চোংথাম) শৈলাজানা লৈখিদবদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক্তা নোংমৈ কাপ্পবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

খুমনক্তা নোংমৈ কাপ্পীগনু
মীরক্তা নোংমৈ কাপ্পীগনু

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী শগোলতোংবা লৈরক, মীয়াম্না কৈশাম লৈরক হায়নসু খঙনবা মফম অসিগী লমলোং অহুম ফাঙবদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ রোম তাবদা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ কাপথোক্তুনা মীয়ামদা অকি তুজুং পোকহনখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী লৈরক অসিদা লৈবা নুপী কয়ানা নুমিদাংদা মীরক্তা নোংমৈ কাপ্পবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অদু চৎখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং লোগী চৈরাক ফঙহনগদবনি। মীরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী চৈরাক পীয়ু অমদি মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহনবীগনু হায়না ফোঙদোক্লখি।

সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী প্রাইজ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ সিনে দিরেক্তর্স গিল্ড মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা অনীশুবা সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০১৭-১৮ কী মকোক মথং তাথ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মণিপুরগী ফিল্ম হিঙ্গৎহন্নিংদবা অমদি তরেৎশুবা পে কম্মিসন পীনিংদবা কনাসু য়াওদে। অদুবু শেল লৈতবদগীনি পীগদি পীগনি, মতম খরা ঙায়নবগী ৱাতনি। ফিল্ম ইন্সটিট্যুসনগীসু লাক্লিবা ওগষ্ট থাদগী দিপ্লোমা কোর্স তম্বা হৌরগনি।

ফিল্মগী পোলিসি পুথোক্লগা য়েৎপগী মহুত্তা তান্নমিন্নসি। পুন্না চৎমিন্নসি হায়বসি মমাংদগী হৌনা হায়জদুনা লাকপনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা ফিল্ম পোলিসি পুথোকমিন্ননবা তান্নমিন্নসি হায়বা মীওই লাক্ত্রি। পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্নবা পাম্বনি হায়খি। ফিল্ম পোলিসি লাউথোক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। মসিদা লো অমা ইমপ্লিমেন্ট অমা তৌবা চঙই। গেজেটতা হাপকদৌরিবনি। অমরোমদা হৌজিক লৈরিবা বজেট অসিদসু য়াওদ্রিবনি। চাদা ১০ দগীসু হেন্না শীজিন্নবসু য়ারোই। মরম অদুনা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বা অমসু লৈরি।

চাংদম্নদবা য়াদবা কয়া অমসু য়াওরি। মরম অদুনা দিসকরেজ তৌবা ওইনা থোক্কনি অমসুং হিরম অসিগী মতাংদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা চঙশিনমিন্নসি অমদি হোৎনমিন্নসি। লাক্লিবা ওগষ্ট থাদগী ফিল্মগী দিপ্লোমা কোর্স তম্বা হৌগদৌরিবা অসিগীসু ওজা অহুম লৌগদৌরি। মসিগী মথক্তা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট লিংবীনবা উখুল, চুড়াচান্দপুর অমসুং হরাওরৌগী মফমশিংদা হায়রকপা লৈরি। পুন্না চৎমিন্নদুনা য়েংমিন্নসি। শেল লৈতবসু য়াদে অমদি শেল ঙাক্তা নত্তনা পুন্না হোৎনমিন্নদবা য়াদে। লোয়ননা ক্বালিটি লৈবা ফিল্ম পুথোক্লবরোমদা হোৎনমিন্নসি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সিনে দিরেক্তর্স গিল্ডগী প্রসিদেন্ট বিজগুপ্তা লাইশ্রমনা হায়খি, এম এস দি এস কুম্বা হোল অমগা গাড়ী পার্কিং য়াওবা ইমুং-মনুং লাক্লগা য়েংবা য়াবা হোল অমা শাদুনা হাপচিনবীয়ু।

এম এস এফ, এস এ আইগী কোচশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ওফিসতা এম এস এফকী মীহুৎশিং অমদি এস এ আই/এস এ জি খুমন লম্পাক্কী মকোক থোংবশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱুশুগী কোচ মাইবম প্রেমকুমারবু এম এস এফকী মহৈরোয়শিংনা ফুই হায়বা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম এস দি পি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট এ ঘনশ্যাম শর্মা লোয়ননা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং অমদি এস এ আই লোয়ননা এস এ জি সেন্তর খুমন লম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস এভন্টশিংগী কোচশিং অমসুং এম এস এফকী থৌমীশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা থৌদোক অসি কোচ প্রেমকুমার অমসুং এম এস এফকী থৌমীশিংগী মরক্তা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং অমনা লীচিং ওইরগা লান্না লৌনদুনা থোকখিবনি অমদি মতুং তারকপদা অমুক হন্না থোক্তনবা ৱারেপ্ন রে হায়রি। মীফম অদুনা লান্না লৌননবা ৱাহৌ ওইরিবা ৱাফমশিং ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা মসিগী জুরিসদিক্সন মনুংদা অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মীদিয়াগী খুথাংদা আপিল তৌবা হায়না য়ানরে হায়রি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসিনা য়ুন্স্ফম ওইরগা মীয়াম্না এম এস এফ অমদি মসিগী মহৈরোয়শিংবু লান্না লৌদুনা সোসল মীদিয়াশিংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংদসু মখা তানা অরানবা পাউ শন্দোকপীদনবা মায়কৈ অনীমক্তগী আপিল তৌরক্লি হায়না এস এ আই, এস এ জি ইম্ফালগী জিম্নাষ্টিক কোচ সনায়াইমা লাইশ্রম অমসুং ৱুশু কোচ মাইবম প্রেমকুমারনা খুৎয়েক পীবা লোয়ননা এম এস এফ হেদ ওফিসকী জেনরেল সেক্রেটরি হৈস্নাম ওকেন্দ্রো অমসুং এম এস এফ হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অচোম বিনোদনা পুন্না খুৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জি এম হোলদা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল যোগ ওলিমপিয়দ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) না শীন্দুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল যোগ ওলিমপিয়দ ২০১৮ ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন এসকী দিরেক্তর টিঐচ কিরনকুমার আই এ এসনা হায়খি, যোগ প্রাক্তিস তৌবগী কান্নবা অসি মীয়াম্না খঙনরে। মীওইবগী হকচাং শেংনা অমদি ফনা নাদ য়েক্তনা লৈবা অসিনা ৱাখলসু নুংঙাইনা লৈহল্লি। যোগ তৌবা অসিনা অঙাংশিংবুসু তিঞ্জং কায়জংদবা, হকচাং ফবা মীওইশিং ওইহল্লি। অঙাংশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা ৱাখল, পুক্নিং লুপ্পগী চাংসু ৱাংগনি। লাইরিক্তা পারগা লৈবা অঙাংগা যোগগী শাজেল তৌবা অঙাংগা য়েংনবদা যোগ তৌবা অঙাংনা কন্সেন্ত্রেসন তৌবা হেনগনি।

ক্লাস সিক্সতগী যোগগী মশান্না তম্বা হৌবা অসিনা তুংগী পুন্সিদসু, অঙাংশিং অদুগী পুন্সিদসু কান্নবা কয়া পীগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারিবা অঙাংশিং অসি লোইনা অফবা ঙাক্তনি। অদুবু অফবা ময়াম অসিগী মরক্তগী অমুক খরা হেন্না ফবা অঙাং খনগৎপনি। নুপা অমসুং নুপী লুপ্তগী খায়দোক্লগা খনগৎলবশিং অসি ওজা মরিনা লুচিংলগা নেসনল কম্পিটিসন য়াওবা চৎকদৌরিবনি। তরেৎশুবা পোজিসন ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংগী মরক্তগী খল্লগা নেসনল কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াহনগনি। মমাংদা লৌরকখিবা প্রাইজশিং অসিদগী হেনগৎনা লৌরক্লবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ডা. এল দব্লিউ অনন্ত ফিজিকেল এদ্যুকেসন প্রোমোসন ওফিসর যোগনা হায়খি, যোগ হায়বসিদা নেচরগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরি অসিগী মরক্তা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কাঙলোন মখল মঙা য়াওরি। মীওইবা হায়বসি নোংমদি শোয়দনা হকচাং পোলাং অসি থাদোক্লগা চৎখিগনি হায়বসি কাওনে। অসিগুম্বা কয়া অসি যোগ শান্নবা মীওইশিংদদি নীংশিংহল্লি।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল দিরেক্তর এদ্যুকেসন এস, সীঐচ সচি এম সী এসনা প্রসিদেন্ট ওইখি। যোগগী কম্পিটিসন অসিদা চুড়াচান্দপুর, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টনচিংবদগী লাকপা মহৈরোয় নুপীমচা অমদি নুপামচাশিংনা কেটেগোরি কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোয় অহেন তান্নখি।

পুংদোল পাম্বী ৫০০ থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী সবসিদিয়ারি য়ুনিট ওইরিবা সলাই এগ্রি কন্সোর্টিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসন বিষ্ণুপুরদগী লৌরকপা পুংদোল চারা ৫০০ থিনুঙ্গৈদা থা অসিগী ৬ তা থাখ্রে হায়রি।

আই কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): লাইওন্স সর্ভিস সেন্তর ওফ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা এয়রপোর্ট রোদকী সঙাইপ্রৌদা দিষ্ট্রিক্ট ব্লাইন্দনেস কন্ত্রোল ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী অহানবা ফ্রি আই ক্যেয়র কেম্প জুন ১০ গী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): নম্বোল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা কুমজা ২০১৮ গী ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বকী বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈ ইগজামদা পোজিসন হোল্ডর অমদি অপুনবা মার্ক চাদা ৭০ অমসুং মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিং মনা পীবগী থৌরম অমা থাঅসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা নম্বোল কৈথেলগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না নম্বোল বি জে পি মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেটিব এ জিতেন্না খঙহল্লক্লি। মরী লৈনবা মহৈরোয়শিংনা নম্বোল কৈথেলদা লৈবা বিধু সোপ্পিং সেন্টরদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

ADMISSION OPEN

Foundation Course For:
Class - XI & XII Science (COHSEM)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)

VAN Service available

Form Issue : 11/05/2018
Class Starts : 11/06/2018
Class timing : 4:30 pm to 7:30 pm

HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and complete your ambition
Hostel Fee : ₹. 3,700/- per month (Including Mess fee)
No Security Deposit and Admission Fee for Apollo Students
WANTED : One Lady Warden-cum-receptionist & One Male Office Assistant

HL-P/1574/7-9&11-21(Alt.)

OFFICE OF THE PRINCIPAL
FANCIER HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL

VACANCY

Written Applications from the intending candidates are invited for the post of Lectures of the following departments.

Sl.No.	Department	Qualification	Desirable
1.	Chemistry	MSc.	Experienced with B.Ed.
2.	Mathematics	MSc.	
3.	English	MA	

- Last date of the Application submission : 11-06-2018
- Date of Interivew : 13-06-2018 (10.30 a.m.)
- Details can be had from School Office: ☎ 9862179986 ☎ 9856330588

Sd/- PRINCIPAL
Fancier Hr. Sec. School

HL-P/1559/7,8,9

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3351/3/5-3/6

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীৱৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/4629/17/5-16/06

MULTIPLE JOB VACANCIES

SL.No. NAME OF POST	QUALIFICATION	SALARY
1. Security Guard	VIII & above	6000/- & above
2. Driver	VIII & above	7000/- & above
3. Cook/House Keeping	VIII & above	6000/7000/- & above
4. Attendant/Receptionist	X/XII/Graduate	5000/7000/- & above
5. Field Officer/Loan Recovery Staff	XII & above	7000/- & above
6. GNM/B.Sc. Nursing/ Lab-Tech/X-ray Tech		Negotiable

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMENT & FRESHERS

SL.No. NAME OF POST	AGE	SALARY
1. Security Guard	Upto 50 yrs	13000/- & above
2. Security Supervisor/Gun Man	Upto 50 yrs	14500/- & above
3. Security officer/Asst. security officer	Upto 50 yrs	16000/- & above
4. Driver	Upto 50 yrs	14000/- & above

POST VACANCIES FOR AIRPORT AND AIRLINES (IGIA DELHI&IMPHAL)

SL.No. NAME OF POST	QUALIFICATION	SALARY
1. C.S.A/Air ticketing	Graduate	16000/- +Incentive
2. Cabin Crew/Air Hostess	XII & above	45000/- & above
3. TFS, Retails, PSA	XII Passed	15000 + Fooding + Incentive
4. Trolly/Loader	VIII to X passed	14500/- +overtime
5. Flight cleaner/Weight checking	VIII to X passed	14500/- + above
6. Helper/Panboy	VIII passed	9000/- + Incentive
7. Driver/Security	VIII passed	17000/- + overtime

Last Date of Form Submission : 11/06/2018
Interview Date : 13/06/2018
Officer Hour : 9:30 am to 4:00 pm

For more details Please contact :
☎ 9089590410 / 8794829055

LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal-795001
Regd. No. 14/006/21/04170/Micro-Part-1

HL-P/3245/29/5-10/6

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - 2nd Foundation 2018 Class III-X Starts: 7th June 2018

TOPPERS of 2018

1st Position Yaiphabi M. D/o. M. Monokanta & Ng. Ibetombi
2nd Position Patel Lairenjam D/o. L. Sharatchandra & N. Shanti
4th Position Malemnganbi Th. D/o. Th. Brojendro & LC. Mala
4th Position Lydia Thokchom D/o. Th. Binod Singh & L. Niran
5th Position Delina Soubam D/o. S. Homeshor & O. Amita
5th Position Ronniey W. D/o. Robby W. & M. Siloja
7th Position Anjali Konjengbam D/o. K. Brajamani & M. Anandi
10th Position M. Pinky D/o. Hemchandra & M. Memi
10th Position Memthoi L. D/o. L. Sanjoy Singh & L.Binodini
11th Position Rajyashori Limbu D/o. Shyam Limbu & Dhaneshwori
12th Position Advance N. S/o. N. Sanayaima & Sana Devi
13th Position Oletina Thangjam D/o. Th. Somorendro & Bheigyabati
15th Position Varina Toijam D/o. T. Bobby & T. Shanta
16th Position Lanchenbi L. D/o. L. Ranjit & L. Rina
18th Position Sangita Yumnam D/o. Y. Kaoba & Ch. Thajamanbi
99 in MAN AK Toshiba S/o. AK.Borjit & Ibempishak
20th Position Haoam Eerik D/o. Robindro & Th. Indira
21st Position Ch. Melodie D/o. Kunjo & K. Debala

22nd Position Dhanika A. D/o. A. Sharat & Hemabati
22nd Position H. Vishal Singh S/o. H. Dwijendra & Isheihanbi Devi St. John Nambol
23th Position Lelina Laishram D/o. L. Surjit & Th. Uma Devi
23th Position N. Robikanta S/o. N. Lakhichand & (L) Jamuna Diligent P/S Moirang

SUBJECT TOPPERS

Sl.	Name	Mark (Sub)	Sl.	Name	Mark (Sub)
1.	Ronniey W.	96 (Eng.)	9.	Anjali K.	100 (HM)
2.	H. Vishal	100 (Maths)	10.	Delina S.	100 (HM)
3.	Ronniey W.	100 (Maths)	11.	Mamata M.	100 (HM)
4.	Lanchenba O.	94 (Sc)	12.	M. Pinky	100 (HM)
5.	C. Melodie	100 (CS)	13.	Rajyashori L.	100 (HM)
6.	Lydia Th.	100 (CS)	14.	Ronniey W.	100 (HM)
7.	Malemnganbi	100 (CS)	15.	Toshiba Ak. (IPS, Canchipur)	99 (MM)
8.	Rajshree H.	100 (CS)			

BOARDING FOR BOYS & GIRLS 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-B/4667/30/5-13/6(Alt.)

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)

SCIENCE

WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER



2nd Position Luckyson Ningthoujam S/o. N. Brojen Singh & N. (o) Premila Devi
3rd Position Yumnam Devajit S/o. Y. Somorjit Singh & Y. (o) Leimarembi Devi
6th Position Akoijam Bedal Singh S/o. Ak. Lalitkumar Singh & Ak. (o) Basanti Devi
9th Position Konica Nongmaithem D/o. N. Jayantakumar Singh & N. (o) Medha Devi
10th Position Asem Korounganba S/o. Asem Shyamsundar & Hidam Prema
12th Position Laishram Emoba Meitei S/o. L. Bhobol Meitei & L. (o) Sangbanabi Leima
15th Position Haobam Arbin Singh S/o. H. Gopalchandra Singh & H. Ebemcha Devi
17th Position Shagolshem Bikish Singh S/o. Sh. Sanna Singh & Sh. Kunodini Devi

FELICITATION FUNCTION OF TOPPERS

ARTS

2nd Position Takhelchangbam Sanaina Devi D/o. Kishorchand Sharma
3rd Position Yengkhom Guschenba S/o. Yengkhom Jiten & Yengkhom (o) Premila Devi
4th Position Tekcham James Singh S/o. T. Biramani Singh & T. (o) Kamala Devi
6th Position Moirangthem Loyangamba S/o. M. Ibomcha & M. Bina
7th Position Sh. Obed Kharam S/o. Sh. Mangsemhang Kharam & Sh. Martha Kharam
8th Position Takhellambam Oresh Meitei S/o. T. Shanti Meitei & T. (o) Lata Devi

HL-B/4560/6/4-6/5